# এ আই এ দি এম কেগী ফেক্সন পুনশিনখ্রে

## ও পনিরসেলবমবু টামিল নাদুগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ পলানিস্বামি অমসুং ও পনিরসেলবম খুৎশম্নখিবগা লোয়ননা পার্টি মনুংদা লৈরম্বা নাকপাক তান্নবগী ফীভম কোকহনবা ঙমখ্রে।

লৈখিদ্রবী চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগা নক্লবা ও পনিরসেলবমনা চীফ মিনিষ্টর পলানিস্বামিগা খুৎশম্নদুনা জেলদা লৈরিবী পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভী কে সশিকালাবু নাইতোম ইম্থোক্লবা ফিরেপ লৌখি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা জে জয়াললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা টামিল নাদুদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম থোরকখি। জয়াললিতানা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মতম খরগী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইহনখিবা ও পনিরসেলবমবু সশিকালানা মফম লৌথোকখিবদগী অমুক্কা হেন্না চরাংনবা থোরকখি।

সশিকালানা পনিরসেলবম মফম লৌথোক্তুনা পলানিস্বামিবু চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লবা মতুংদা দিনাকরনবু অমুক হন্না পার্টিতা পুশিল্লকখি। কুমজা ২০১১দা জয়াললিতানা তান্থোকখ্রবা দিনাকরনবু পার্টিদা পুশিল্লকপগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখি।

চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা মতুং থা ৬ লৈরগা ও পনিরসেলবমবু ঙসি টামিল নাদুগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। রাজ ভবন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গভর্নর বিদ্যাসাগর রাওনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

নৌনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরবা পনিরসেলবমদা ফাইনান্স, হাউজিং, রুরেল হাউজিং এন্দ হাউজিং দিভলপমেন্ট, স্লম ক্লিয়ারেন্স বোর্দ এন্দ একোমোদেসন কনফর্ম, টাউন প্লানিং, অর্বান দিভলপমেন্ট অমসুং সী এম দি এগী পোর্টফোলিও পীখি।

পনিরসেলবমগা নক্লবা কে পান্দিয়া-রাজনসু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহনখিবগা লোয়ননা টামিল ওফিসল লেংগ্বেজ এন্দ টামিল কলচর অমসুং আর্কিওলোজিগী পোর্টফোলিও পীখি। জে জয়াললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা তোখায় তানরুরবা এ আই এ দি এম কেগী ফেক্সন অনী থা ৬কী মতুংদা ঙসি নৌনা অমুক পুনশিন্নখিবগা লোয়ননা পনিরসেলবমবু পার্টিগী কোওর্দিনেটর হাপখি। চীফ মিনিষ্টর পলানিস্বামিনা জোইন্ট কোওর্দিনেট ওইরগনি।

পনবা য়াবদি, টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংনা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্কারি চত্থগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি।

টামিল নাদু, পুদুচেরি অমদি করাইকালগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস খুদিংমক্তা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। নোংমগী ওইবা খোঙজং অদু অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চত্থখি। খোঙজং অদুদা পনিরসেলবমগী কাঙলূপ্তা লৈবা এ আই এ দি এম কেগী এম পিশিং অমসুং লেজিসলেটরশিংসু শরুক য়াখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতানা এপোলো হোস্পিটালদা নুমিৎ ৭৫নি লায়েংদুনা লৈরল্লবা মতুংদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎকদবনি হায়না পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংনা তকশিনখি।

মমাঙদা পনিরসেলবমনা ক্যেরটেক্কর চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মরম খঙদোক্লবা জুদিসল ইনক্কারি চত্থনবা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

# ছটিসগরদসু পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং ৩ শিখিবগী ৱাথোক চাউথোরক্কদৌরি



রাইপুর, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
রাইপুরগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা ওক্সিজেন মরাং কায়না লৈতবদগী নিওনেটেল ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিটতা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অহুম শিখ্রে।

হেল্থ ওফিসলশিংনদি হোস্পিটালদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা ডা. বি আর অম্বেদকর মেমোরিএল হোস্পিটালদা অঙাং অহুম লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হোস্পিটালগী ওক্সিজেন সপ্লাই প্লান্টতা থবক তৌবা মীওই অমা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তে হায়বগীদমক পুলিসনা ফাখ্রে হায়রি। হায়রিবা মীওই অদু য়ু ঙাওরগা লৈরম্বা থেংনবদগী ফাজিনখিবনি।

হেল্থ সেক্রেটরি সুব্রত শাহুনা পাউমীশিংদা হায়খি, হোস্পিটালগী স্পেসল ক্যের য়ুনিটতা ভেন্তিলেটর শীজিন্নদুনা থল্লকপা অঙাং অহুম তোঙান তোঙানবা মরমদগী শিখিবনি। থৌদোক অসিদা ওক্সিজেন মরাং কায়না সপ্লাই তৌরক্তবগী ৱাফম লৈতে। অঙাং অমদি অরুম্বা শুদনা পোল্লকখিবগা লোয়ননা নিংশা হোনবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মরম্না ভেন্তিলেটর শীজিন্নদুনা থল্লকখিবনি।

অমরোমদা, লৈখিদ্রবা অঙাংশিংগী ইমুং-মনুংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হোস্পিটালদা ওক্সিজেন মরাং কায়না লৈতবা অমসুং ষ্টাফনা মথৌ চেকশিন্দবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, গোরখপুরগী বাবা রাঘব দাস (বি আর দি) মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইরগা অঙাং ৭১ শিবা লৈখ্রবনি। হোস্পিটাল অসিদা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা লেপখিবদগী অনাবা অঙাংশিংগী পূন্সি কনবা ঙমখিদবনি।

বি আর দি হোস্পিটালগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ওগষ্ট ৭তগী ১১ ফাওবগী মনুংদা হোস্পিটাল অসিদা পুন্না অঙাং ৬০ শিখি। লৈখিদ্রবা অঙাংশিংগী ইমুং-মনুংনা হোস্পিটালদা ডোক্টরশিংনা নীংথিনা লায়েংবিদবা, মতম চানা হীদাক-লাংথক থাদবদগী মীওইশিং অদু শিখিবনি হায়না মরাল শীরকখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা অথুবা মীফম অমা কৌদুনা খন্নখি। মীফম লোইরবা মতুংদা মিনিষ্টরশিংগী টিম অমনা বি আর দি মেদিকেল কোলেজদা চত্তুনা ফীভম য়েংশিনখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিদে হায়বগীদমক বি আর দি মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল খুদক্তা থবক্তগী লৌথোকপা লৈখ্রে। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নাদানা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ অনুপ্রিয়া পতেল অমদি হেল্থ সেক্রেটরি সী কে মিস্রাবু গোরখপুরদা চত্তুনা ফীভম য়েংশিন্নবা খঙহনখি।

# প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থুংখ্রে



লেহ, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
নোংমগী খোঙচৎতা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থুংখ্রে। কোবিন্দনা প্রসিদেন্ট ফম পায়রবা মতুংদা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা চৎপা হন্দক্কা অহানবনি।

লেহ এয়রপোর্টতা মহাকপু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী গভর্নর এন এন ভোরাহ, চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি, সিনিয়র মিনিষ্টরশিং, ইন্দিয়ন আর্মিগী মকোক জেনরেল বিপিন রাৱট অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়ানা তরাম্না ওকখি।

চৈরকসিদা, ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, চহী অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা রিক্রুট তৌখিবা মীগী মশীংদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎখিবা টেররিষ্ট মশীংনা য়াম্বা হেল্লি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, চহী অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লালহৌ-লূপশিংনা নহারোল ৭১ রিক্রুট তৌখিবা তারবসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট ১৩২ হাৎপা ঙমখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎখিবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টেররিষ্ট ১৪গী মনুংদা অল-বাদরগী লূচিংবা অমা য়াওখি। লাস্কর-ঈ-টৈবগী লূচিংবা মহমদ অয়ুব লোন, মহমদ সাফি সেরগুজ্রি অমদি বাসির অহমদ ৱানিসু য়াওখি হায়রি।

চহী অসিগী মনুংদা আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) মনাক্তা খুৎলাই পায়বা মিলিটেন্ট ৩৮ হাৎখিবগা লোয়ননা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং ২২ মায় পাকহনখিদ্রবনি।

চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়াদা চঙলক্লবা হোৎনরকখিবা থৌরাং ২২ মায় পাকপা ঙমখিদে। খুৎলাই পায়বা মিলিটেন্ট ৩৮সু ঙমখৈ মনাক্তা কাপ্তুনা হাৎখি। রামজান মনুংদা পাকিস্তান অমদি মসিগী এজেন্টশিংনা খুৎলাই মতিক চানা পায়রবা মিলিটেন্ট কয়া ঙমখৈ লান্থোকহন্নবা থৌরাং তৌরকখি। মিলিটেন্টশিংনা গুরেজ, মছিল, নাওগাম অমদি য়ুরি সেক্টরদা মেলিটেন্ট কয়া থাজিন্নবা হোৎনরকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হনবা লৈত্রবা থৌনাগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী থৌরাং পুম্বা অরেম্বা তাহনখি। কুমজা ২০১৫ দা মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লান্থোরকপগী থৌওং ২৮ লোম থোকখি।

কুমজা ২০১৬ তনা ঙমখৈ লানশিন্নবা থৌরাং ৮৮ লৌখৎনবা হোৎনরকখি। কুপৱারা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা নাওগাম সেক্টরদা মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎন-রকখিবা থৌরাং অমা মায় পাকপা ঙমহনখিদবা লোয়ননা নাকল অনী খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অহুম অমসুং জৱান অমা শিখিবনি। ঙমখৈ লানশিল্লক-খিবা মিলিটেন্টশিংবু পাকিস্তাননা মপুং ফানা মতেং পাংখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ন আর্মিনা ঙমখৈ ঙাকপা ঙম্লি : রাজনাথ সিংহ



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ইচং থৌনা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, মথৌনা লৈরবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা ঙমখৈ ঙাক্লি ঙৈদা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা ঙম্লোই। লদাখতা চত্তুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা লান্মীশিংনা লৈরল্লিবা ফীভম উরুবদা পূক্নিং নুংশিবা ফাওখি। ঈংথ্রবা মফমদা লান্মীশিংনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লম্বা উবদা চাউথোকচবা পোকই।

দোক্লামগী ৱাহৌদা ইন্দিয়া অমদি চাইনা মুক্নবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুম ওইনমক চাইনানা অফবা খোঙথাং অমা লৌখৎলক্লিবমখৈদি ইন্দিয়ানা খোঙফম হন্দোকপা তৌরোই।

ইন্দিয়ন আর্মিনা য়েক্লবগা চপ চানা লম্বা পানবা শেম-শারে হায়না য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লোক সভাদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

দোক্লামদা মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চাইনানা টিবেটতা লান্মী থাজিল্লকখিবগী মতাংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

করি মরমগী ইন্দিয়ন আর্মিদা মতিক চাবা খুৎলাই পায়হন্দ্রিবনো হায়বা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা জেটলিনা হায়খি, ইন্দিয়ন আর্মিনা হীরম খুদিংমক্তা য়েক্নবগা লম্বা পাবদা থোইদোক্না নোপকদবা লৈতে।

দিফেন্স ফোর্সেসতা শুপ্পগী নুমিৎ ২২নিখক শীজিন্নগদবা নোংমৈ মরু লৈ হায়না কন্ট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সী এ জি)না পীরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, সী এ জিনা রিপোর্ট শেম-শারিঙৈ মনুংদা দিফেন্স ফোর্সেসনা য়েক্নবগা লম্বা পাবদা মথৌ তাবা পোৎলম খূদিংমক পৈশিনবা লোইখ্রে।

অমরোমদা, এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ভুটানগী মহাক্না ফম মান্নবা দেমচো দোর্জিগা উনদুনা নাকল অনীগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখিবনি।

বে ওফ বেঙ্গল ইনিসিয়েটিব ফোর মল্টি সেক্টরেল টেক্নিকেল এন্দ ইকনমিক কোওপরেসন (বিমষ্টেক) লৈবাকশিংদগী লাকপা ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম য়াওরিবা সুস্মা স্বরাজনা দোক্লামদা ওইরক্লিবা ফীভমগা মরী লৈননা ভুটানগী ফোরেন মিনিষ্টর দেমচো দোর্জিগা ৱারী শানখিবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি প্রিতি সরননা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

দোক্লামগী মতাংদা চাইনাগা মুক্নরিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা ইন্দিয়া, ভুটান অমসুং চাইনাগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গং অমদগী লান্মী লৌথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

# জি জে এমগী লূচিংবা নিরাজ প্রধান ফারে

গেংতোক, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
দার্জিলিংদা অকনবা ঈহৌ হৌরক্লিঙৈ চৈরক্তা গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম)গী লূচিংবা নিরাজ প্রধান ফাখ্রে।

হান্না ৱার্দ নম্বর-৮গী কাউন্সীলর ওইরম্বা নিরাজ প্রধানবু ঙরাং অহিং কর্সিয়োংদগী তোঙান তোঙানবা চার্জদা ফাখিবনি। গোর্খাশিংগী তোখায়বা ষ্টেট তান্দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা গভর্ণমেন্টকী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লি হায়বা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শীদুনা জি জে এমগী লূচিংবা অসি ফাজিনখিবনি।

কোলকাটাগী কোর্ট অমনা মন্দল তমাং হাৎখিবগী কেসতা জি জে এমগী লূচিংবা বিমল গুরুং মরাল লৈতে হায়না থাদোকপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা মীওই ৪৭কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবনি হায়না য়াথং পীখি।

দার্জিলিংদা ওল ইন্দিয়া গোর্খা লিগকী লূচংবা মন্দন তমাং হাৎখিবদা বিমল গুরুং চেন্নৈ হায়না সী বি আইনা পুখৎলকখিবা কেস অমা সেসন্স কোর্টকী চীফ জজ কুন্দন কুমার কুমাইনা রিজেক্ট তৌখি। অদুম ওইনমক বিমল গুরুংগী লোয়নবী অশা য়াওনা কেস অসিদা চেন্নরিবা অতৈ মীওই ৪৭কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবনি হায়না খঙহনখি।

ওগষ্ট ২৮ ফাওবগী মমাঙদা মরাল লৈরে হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌগদবনি।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা দার্জিলিংদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীবা লৈখ্রে।

গোর্খা লেন্দগী ঈহৌদা নৌনা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোরক-খিবগা লোয়ননা জি জে এমগী লূচিংবা নোর্বু লামা ফারগা ক্রিমিনেল ইনবেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি)গী কষ্টদিদা নুমিৎ ৭নিগী রিমান্দ লৌথবা লৈখ্রে।

# অসামগী ঈচাউ : মীওই ১৩ শিখ্রে, খুঙ্গং ৩৯৩ থুমজিল্লে



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
অসামদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মফম কয়াদা ঈচাউ থোকপগা লোয়ননা মোরিগাউন দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১৩ শিখ্রে। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং ৩৯৩দা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি।

মোরিগাউনদা শিখিবা মীওই ১৩ থারগা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীওই পুন্না ১৪৮ শুরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ময়ুম-মকৈ ঈশিংদা থুমজিনখিবদগী লৈফম লৈত্রবা মীওইশিংনা শাফগদবা মফমদা তেন্ট খন্দুনা অৱাবা খাংলবসু মতিক চাবা তেংবাঙগী পোৎলম অমত্তা য়ৌহল্লক্তবগী মতাংদা মীওই কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

ওগষ্ট ১৮দা গভর্নর বনৱারিলাল পুরোহিতনা অসামদা থোক্লিবা ঈচাউগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল টিম অমা থাবীরক্লবা হায়জবা লৈখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনসু প্রাইম মিনিষ্টরদা মতেং পাংবীনবা হায়জবা লৈখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী মহে-মরোং উবা লৌফম হেক্টর লাখ ১.১৮ ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা মীওই ৫১,১৯২ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, ব্রহ্মপুত্রা তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক ঈশিং থুমজিন্দুনা পার্কতা লৈবা শা কয়ামরুম শিরে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা শা ২২৫ হেন্না শিখিবগী রিপোর্ট লৈরে।

উত্তর প্রদেশকী মফম খরদা নৌনা ঈচাউ থোরকখিবগা লোয়ননা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখিবা মীওই পুন্না ৬৯ শুখ্রে।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২৪দা মীওই লাখ ২০ হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি। রিলিফ কম্মিস্নারগী ওফিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট ২৪গী খুঙ্গং ২,৫২৩ ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মীওই লাখ ২০ হেন্না অৱাবা তারে। তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ৬৯ শিখি। নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই ৩৯,৭৮৩ চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

হৌজিক হৌজিক এন দি আর এফকী কম্পেনি ২০, পি এ সী (ফ্লদ)কী কম্পেনি ২৯ অমসুং আর্মি পার্সনেল কয়ানা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অনী শীজিন্নরগা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনরি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER : III : LAMPHELPAT**

**Ref.: Mut. Case No. 94/AS&SO/III dt. 27-07-2017**

Mahamad Imdadullah Shah s/o Abdur Rahaman of Yairipok Ningthounai A/P Hatta Golapati.

... Petitioner

**- Versus -**

(Late) Mahamad Tajuddin s/o (L) Muhibullah of -do-.

... Op. Party

**NOTICE**

The 21/08/2017, Imphal

Under Section 46 (3) of MR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ২৬ (এ) নোংপোক ইঙ্খোল পাট্টা নং ১২৪০, হাল দাগ নং ৫২৪০/৫৪৫৭ এরিয়া ০.০৩৬৬ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ২ অসি লৈখিদবনা মরম ওইদুনা কো-পাট্টাদার (১) অসিনা AS&SO III কোর্টতা মঙোন্দা পুন্না নামা ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা আপতি (ওবজেক্সন) তৌবীরবা য়াগনি। নৎত্রবদি নুমিৎ হেক শুবগা কেস মখা চত্থজরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

Sd/- **Asstt. Survey & Settlement Officer III**
Lamphelpat, Manipur.

HL-P/2571/22

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER : III : LAMPHELPAT**

**Ref.: Mut. Case No. 107/AS&SO/III dt. 21-08-2017**

1. Khangembam Jibanmala Devi w/o (L) Dhanaki Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal, 2. Roshan Khangembam s/o (L) Dhanaki Singh of -do-, 3. Kh. Romesh Singh s/o (L) -do- of -do-, 4. Kh. Raju Singh s/o (L) -do- of -do-.

... Petitioners

**- Versus -**

(Late) Kh. Dhanaki Singh s/o (L) Modhu Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.

... Op. Party

**NOTICE**

Imphal, the 21/08/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ২৭-ৱাঙ্খে নোংপোক্কী পাট্টা নং ১২/অংশ/এ অরিবা ১৩১/৭৫৬/এ, হাল দাগ নং ১০৬৬/১৪৯০/এ এরিয়া ০.০৬৬৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মরম অদুনা AS&SO III কোর্টতা মাগী নুপী অমসুং মচানুপাশিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা আপতি (ওবজেক্সন) তৌবীরবা য়াগনি। নৎত্রবদি নুমিৎ হেক শুবগা কেস মখা চত্থজরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

Sd/- **Asstt. Survey & Settlement Officer III**
Lamphelpat, Manipur.

HL-P/2572/22

# দেমোক্রেসিদা ভী আই পিগী চন্নফম লৈতে : যোগি



লখনৌ, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী) :
ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হীরম খুদিংমক্তা শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা হায়খ্রে, দেমোক্রেসিদা ভী আই পিগী চন্নফম লৈতে।

ষ্টেটকী দিষ্ট্রিক্ট মঙাখক্তা মপুং ফানা মৈ ফংহল্লি হায়বা মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। চীফ মিনিষ্টর লৈবা মফম খক্তদা মৈ পীবগী মহুত্তা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম খূদিংমক্তসু মৈ ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সহারনপুরগী খোঙচত্তা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙদা পল্লম্বা সমাজৱাদি পার্টিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, হরাও কুম্মৈ অমা লাকপা খূদিংগী লুপা লাখ ৫ পীদুনা পুলিস ষ্টেসন খূদিংমক্তা থৌরম পাঙথোকহন্নবা হোৎনরমখি। করিগুম্বা শেনফম অদু অনা-লায়েং অমসুং মহে-মশিন তম্বগী লমদা থাদরম্বা থোক্লবদি চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইরমগদবনি।

মহাক্না হায়খি, মীচম মীয়াম অমসুং লৌমী-শিন্মীগী খনবা লৈঙাক অমা ওইবা মরম্না হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্না খেন্নবা থমদনা কাঙলূপ খূদিংমক্কী চাউখৎ থৌরাং লৌখৎলি। লৌমীশিংগী শেন্দোল কোকপীবসু হৌরে।

চীফ মিনিষ্টরনা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা খুঙ্গংগী লায়রবা মীয়ামগীদমক য়ুম লাখ ১০ অমসুং অর্বান এরিয়াদনা লাখ ২ লেম্না শাবীগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

খুঙ্গংগী ওইনা য়ুম শানবগীদমক লুপা লাখ ১.২০ অমসুং টোইলেট শানবগীদমক লুপা ১২,০০০ পীরগনি। কনাগুম্বনা মশানা য়ুম শাজগে হায়রক্লবদি অহেনবা শেনফম লুপা ১৫,৭০০ পীগনি। থৌরাং অসিগী মখাদা গভর্ণমেন্টনা অর্বান এরিয়াগী ইমুং ৫,১২৯ খন্দোক্তুনা খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু অদিত্যনাথনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com

HL-B/4054/4to3 Sept.